## পুটিন্না পি এম ওইহন্নবা খনবা মীশক রুলিং পার্টিনা য়াখ্রে



মোস্কো, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সি) : রসিয়াগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইহন্নবগীদমক্তা পোলিটিকেল প্রোফাইল য়াওদবা মীশক অমনি হায়না লৌনবা মীখাইল মুসুষ্টিনবু প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না খনখিবগী খোঙথাং শগোলশেল নুমিত্তা রুলিং পার্টিনা মোৎ অমত্তা ওইনা শৌগৎখ্রে।

মুসুষ্টিনবু ফম অসিদা পুখৎলক্লিবসি পুটিন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রসিয়াগী পোলিটিকেল সিষ্টেমদা অহোংবা চাওনা পুরকখিবগী শরুক অমনি। পুটিনগী থৌরাং অসিনা মরম ওইদুনা দমিত্রি মেদভেদেভনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী গভর্নমেন্টসু রিজাইন তৌখিবনি।

অহোংবশিং অসি মশাগী চহী ৬৭ শুরবা রসিয়ন লিদর পুটিনবু কুমজা ২০২৪ দা প্রসিদেন্সি থাদোক্লবা মতুংদসু মখা তানা পৱার পায়হন্নবগী থৌরাংনি হায়না লৌনরি। চহী ২০ লোম মহাক্না প্রসিদেন্ট নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা রসিয়ন পোলিটিক্স দোমিনেট তৌরকখি।

শগোলশেল নুমিত্তা মুসুষ্টিন্না ৱা ঙাঙলবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউস ওইরিবা রসিয়াগী ষ্টেট দুমানা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেন্ট ওইবগী মতাংদা ভোট লৌনগনি।

রুলিং পার্টি ওইরিবা য়ুনাইটেদ রসিয়ানা দুমাদা মেজোরিটি ওইবা মরম্না মুসুষ্টিনবু প্রাইম মিনিষ্টর ফমগীদমক্তা কনফার্ম তৌবা হায়বসি লুনা থোক্লোই হায়না লৌনৈ। মশাগী চহী ৫৩ শুরবা মুসুষ্টিন্না রসিয়াগী টেক্স সর্ভিসতা অহোংবা কয়া লাকহনখি। টেক্স কলেক্সনগী মতাংদা অওনবা লাকহনখিবগীদমক্তা মরী লৈননা মহাকপু লৈবাক পুম্বনা থাগৎনখি।

হান্না কে জি বিগী ওফিসর অমা ওইরম্বা পুটিনবু ক্রিটিকশিংনা মহাক্কী টর্মশিং লোইরবা মতুংদা পাম্বে খরা শীজিন্নদুনা পৱার পায়নবা অমসুং মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক অসিবু মখা তানা হাই হুমদুনা পান্ননবা খুজিন থৌরাং কয়া পুথোকই হায়না মরাল শীখ্রবনি। লৈবাক অসি মালেমগী মকোক থোংবা ন্যুক্লিয়র পৱার অনীগী মনুংদা অমসু ওইরিবনি। কোম্মর্সেন্ট বিজিনেস দেলিনা শগোলশেল নুমিত্তা পুটিনগী খোঙথাং অদুবু জন্যুৱারীগী রেভোল্যুসননি হায়না ফোঙদোকখি।

## প্রোটেষ্টরশিংগা পুলিসকা খুৎথোক্লবদা ৩৫ শোক্লে



বৈরুট, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সি) : লেবাননগী কেপিটেল বৈরুটতা প্রোটেষ্টরশিং অমসুং রাইওট পুলিসকী মরক্তা থংন-থংননা নিনি চনবা অহিং অমগসু কন্না খুৎ থোক্ল খিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৫ অশোক-অপন নংলে হায়রি।

প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিসতা লিক্লি অমদি বোম্বুলানচিংবা কয়া লংশিনখি। অমরোমদা, পুলিসনা দেমোনষ্ট্রেটরশিং তানখায়নবা হোৎনবদা টিয়র গ্যাস অমসুং ৱাটর কেনন কাপখি।

চৈরকসিদা থাংজ নুমিৎকী ইরাংদা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখিবগী মতাংদা ইনক্বাইরি অমা চত্থনবা ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ওর্দর তৌখ্রে।

রুলিং এলিটনা শেঞ্জা থুমজাগী থবক কয়া চত্থবগা লোয়ননা মখোয়না লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমদবগী থৌওংদা পেন্দবা উৎলদুনা মীয়াম্না গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্টশিং চত্থরকখিবনি। মরু ওইনা হৌখিবা ওক্তোবরদা প্রাইম মিনিষ্টর সাদ অল-হরিরিনা মফম থাদোকখিবা মতুংদা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্নবা ৱারী শানবদা মতম শাংনা লৈখায় তানবা ঙমদবগী থৌওং য়ানিংদবা উৎলদুনা মরম ওইদুনা ইনৌ নৌনা ইরাং অসি লাকখিবনি।

## ইদলিবতগী চেনখ্রে

অম্মান, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সি) : অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিং ওইবা সিরিয়ন ৩৫০,০০০ লোম, হৌখিবা দিসেম্বরগী অঙনবদগী রসিয়ানা শৌগৎপা ফোর্সশিংনা ওপোজিসন্ন কন্ট্রোল তৌরিবা ইদলিব প্রোভিন্সকী মায়োক্তা নৌহৌননা ওফেন্সিভ চত্থখিবদগী ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা টর্কিগা নক্লবা বোর্দর এরিয়াশিংদা চঙজফম লৌনবা হোৎনরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## অথিংবা থম্বনা ইরানগী পাঙ্গল হেনগৎহল্লে

টেহরান, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সি) : য়ু এসনা টেহরানগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থম্বা অসিনা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী মপাঙ্গল হেনগৎহল্লে হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসনা লৌতুনবা, প্রেসর পীবা কয়া লৈনা লৈনা ইরান্না লমদম অদুদা লৈবা য়ু এসকী মরু ওইবা মিলিটরি বেজশিংগী মনুংদা অমদা থৌনা ফনা মিসাইল কয়া কাপশিনখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## পাইপ বোমগা মরী লৈননা হোং কোংগী প্রোটেষ্টর ১০ ফারে



হোং কোং, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সি) : মমাংদা মতিক ময়াই লৈরবা পাইপ বোম অমা পোকখায়হন্নবা হোৎনখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈনবশিংনি হায়না থাজনবা রেদিকেল এন্টি-গভর্নমেন্ট গ্রুপ অমগী মেম্বর ১০ হোং কোং পুলিসনা ফারে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না পুলিসনা অহানবদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মোং কোক্তা লৈবা ফ্লেট অমা অমসুং সিয়োং সুইগী হো পার ভিলেজদগী মীওই খরা ফাগৎখি। দিটেন তৌখিবা মীওই মরিগী মনুংদা অহুমদি মহৈরোয়শিং ওইখি।

মরিশুবা মীওই অদু এপার্টমেন্ট অমদা লৈরম্বদগী ফাখি। মফম অদুবু পুলিসনা বোম শান্নবগী লেবোরেটরি ওইনা শীজিন্নরম্মী হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

হোং কোংদা শাবা অহানবা আই ঈ দিনি হায়না থাজনবা বোম অদুসু পুলিসনা লৌখৎখ্রে। লো এক্সপ্লোসিভ গ্রাম ৪০ বোম মনুংদা য়াওরমখি। তৌইগুম্বসুং মদু করম্বা পোৎশক্লো হায়বদুদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। সিটি শীন থুন্না পুলিসনা মখা তানা ওপরেসন চত্থদুনা ফ্লেট কয়াদা রেইদ তৌখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা গ্রুপ অদুগী চিংননিংঙাই ওইবা অহেনবা মেম্বর তরুক অমসু ফাখি। ফারবশিং অদুগী মনুংদা মহৈরোয়শিং অমদি কে জি ওজা অমা য়াওখি। শগোলশেল নুমিত্তা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট চান তিন-চুনা হায়খি মদুদি, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা থেংনরকখিবা দিভাইস অদু শীজিন্নবা য়ারবা অমদি মীওই কয়া শিহনবা ঙম্বা খুৎলায় অমনি। বোম অদু অচৌবা পব্লিক ফঙ্কসন অমদা পুলিস নৎত্রগা মখোয়গী ফেসিলিটিশিংদা এটেক তৌদুনা মীশি-মীনা কয়া থোকহন্নবা থৌরাং তৌরম্বনি হায়না সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টনা ওফিসর অসিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা হোং কোংদা পরিং নাইনা বোমগী থ্রেট কয়া লৈখিবনি। মখোয়দু পুলিসনা হৌখিবা চহীগী জুনদগী সিটি অসিদা চত্থরক্লিবা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোকখি।

## চাইনা-য়ু এসকী ফেজ অমগী দিলগা ৱার্ল্ড পিছকা মরী লৈনৈ



ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সি) : বৈজিং অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা পুরক্লিবা ফেজ ৱানগী ইকনমিক অমসুং ট্রেদ এগ্রীমেন্ট অসি শুপ্পগী ইকনমিক দিল অমা ওইবগী মথক্তা মসিনা মালেমগী মরা তপ্পা অমসুং নুংঙাই য়াইফবগী ফিভমদসু ইথিল চাওনা পীরি হায়না চাইনিজ ভাইস প্রিমিয়র লিয়ু হেনা ফোঙদোকখ্রে।

এগ্রীমেন্ট অসিনা লৈবাক অনীমক অমসুং মালেম পুম্ববু কান্নহনগনি মসি গ্লোবেল প্রদ্যুসরশিং, কঞ্জুমরশিং অমসুং ইনভেষ্টরশিং পুম্নমক অসিগী অনীংবা অপাম্বশিং খন্নরবা মতুংদা পুরকখিবনি হায়না লিয়ুনা য়ুমশকৈশাগী অহিংদা ৱাশিংটনদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকা লোয়ননা দিল অদুদা খুৎয়েক পীনরবা মতুংদা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

দিল অদু খুৎয়েক পীনরবা মতুংদা চাইনানা য়ু এসকা পুন্না থবক তৌমিন্নগনি, অমগা অমগা ইকাই খুম্নবা অমদি মান্নবা মীৎয়েং য়েংনবগী প্রিন্সিপল ঙাক্লগনি, দিল অদুগী টর্মশিং ইকাই খুম্নগনি অমদি এগ্রীমেন্ট অসিবু মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। চাইনা অমসুং য়ু এসকী মরী অসি মালেমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা বাইলেটরেল মরীশিংগী মনুংদা অমনি হায়নসু ভাইস প্রিমিয়রনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকা ৱারী শানবগী প্রোসেস অপুম্বগা মরী লৈননা মালেম্না লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়ানদবা ৱাফমশিং শোয়দনা নীংথিনা লৈখায় তান্নবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজনবা লৈবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মীয়ামশিংনসু ঐখোয়গী প্রোব্লেমশিং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈনরকখি হায়না লিয়ুনা হায়খি।

দিল অদুনা বৈজিং অমসুং ৱাশিংটননা থম্নরিবা অথিংবশিং কোমথোক্লরগনি অমদি মরু ওইনা চাইনানা য়ু এসকী ফার্ম প্রদকশিং লৈবগী চাং হেনগৎহল্লগনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী লৈরিবা ফিভম অসিদা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না দোলর বিলিয়ন ১৬০ গী চাইনিজ ইমপোর্টশিংদা টারিফশিং লৌনবগী থৌরাংশিং থাদোকখিবগা লোয়ননা দোলর বিলিয়ন ১১০গী ওইবা হৌজিক পুশিল্লক্লিবা চাইনাগী পোথোকশিংদা লৌরিবা টারিফকী চাং তঙ্খায় অমা হন্থহনখ্রবনি।

## ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা এইদ ৱর্কর অমসুং মীচম থাদোকখ্রে

তুগ্রি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সি) : নাইজিরিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদা হৌখিবা দিসেম্বরগী অথেংবা শরুক্তগী ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা এইদ ৱর্কর ৩ অমসুং অতৈ সিভিলিয়নশিং ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা থাদোরক্লে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মীওইশিং অদু লাম্নীগী ফিজোল শেৎপা মিলিটেন্টশিংনা দিসেম্বর ২২ দা কিদনেপ তৌখিবনি। মখোয়না নোর্থ ইষ্টন বোর্নোগী কেপিটেল মাইদুগুরি সিটি তম্না লাকপা কর্ম্মসিএল ভেহিকলশিংগী কনভোই অমা খামহল্লবা মতুংদা মীওইশিং অদু ফাখিবনি। ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা কুমজা ২০০৯ দগী নাইজারিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদা লান হৌরকখিবদা মীওই ৩৬,০০০ গী পুন্সি লোমখি অমসুং মীওই মিলিয়ন ৭.১ অৱা তেংবাংগী পোৎলমশিং ঙাইবগী ফিভমদা লৈহনখি।

নাইজিরিয়াগী লমদম অদুদা তোঙানবা ষ্টেট অমা শেম্নবা লান হৌরিবা বোকো হরামনা মীয়াম্বু ইস্লামিক লোগী ষ্ট্রিক্ট ইন্টরপ্রিটেসন অমা ইলহন্নবা হোৎনরক্লিবনি। হৌখিবা দিসেম্বর ২২ দা মাইদুগুরিগী মোংগুনো লম্বী পরিংদগী খুৎলায় পায়বা নন-ষ্টেট গ্রুপশিংনা ফাখিবা এইদ ৱর্করশিং অমসুং অতৈ মীচমশিং থাদোরকপা অসিদা ঐহাক্কী অৱাবা কোক্লে হায়না নাইজিরিয়াদা লৈরিবা য়ু এন হ্যুমেনিটরিয়ন কোওর্দিনেটর এদৱার্দ কালোন্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হ্যুমেনিটরিয়ন ৱর্করশিংনা সিক্যুরিটি লৈরক্ত্রবা ইনভাইরনমেন্ট অমদা থবক তৌরিবদুদা মঙোন্দা নুংনাংবা পোকই। কুমজা ২০১৯ দা এইদ ৱর্কর ১২ গী পুন্সি লোমখি অমসুং কুমজা ২০১৮ দনা মশিং অসিদগী শরুক অনী হেন্না শিখি। মীওই কয়া ফারিবা মিলিটেন্টশিং অদু বোকো হরাম নৎত্রগা কুমজা ২০১৬দা মচেৎ তাখিবা ফেক্সন অমগা মরী লৈনৈ নৎত্রগা লৈনদে হায়বসি য়ু এননা পনখিদে।

/পারী পুরী পুকৈগী অনৌবা থৌপুলূপ সেমখ্রে

সকখঙলবা চীংমী ফুরুপ ৩৬ অমসুং সকখঙদ্রিবা সেদ্যুল চন্দ্রিবা চীংমী ফুরুপসিংগী লোয়ননা মীতৈ ফুরুপকী য়েলহৌ সক্তম পুন্নমক ঙাক্তুনা থমগদৌরিবা অহিংবা পুকৈ (লিভিং ম্যুজিয়ম) অমা থমগদৌরিবা পারী পুরী পুকৈগী থবক মখা চত্থনবা অনৌবা থৌপুলূপ সেমখ্রে। হান্নগী থৌপুলূপকী পুন্সি লোইদুনা ৱাকচীংগী ২১নি পানবা মলিয়া কুমসীং ৩৪১৬ (চৈচৎ ১৪/১/২০২০ ইং) তা ফমখিবা অপুন লূপকী মীফম্না খনখ্রবা থৌপুরোয়সিং অদুদি য়াইতোংবা ওইনা প্রো: কাংজীয়া মঙাং, খাঙেম্বম নিংসিংবা (নিসিকান্ত) বু থৌবুরেল (জে: সে:) ওইনা, ওক্রম ৱাঙম্ববু সেলুং থৌবুরেল ওইনা (সে: ফাইনান্স) খনখিবগা লোয়ননা থৌবুরোয় (এক্সিক্যুটিভ মেম্বর) ১২ খনখ্রে।

লোয়ননা মখাগী থৌমীলূপসিং অসিসু সেমখ্রে - (১) কৈরুংবা লূপ (ইঞ্জিনিয়ারিং সেল) (২) থিজিনলূপ (রিসার্স সেল) (৩) খুৎহৈলূপ (ইন্দস্ত্রি এন্দ ইলেকট্রোনিক্স সেল) (৪) য়ুমসা লূপ (ট্রেদিসনেল হাউস কন্সত্রক্সন সেল) (৫) হৈথা উথালূপ (হোর্টিকলচর এন্দ ফোরেস্ত্রি সেল) (৬) য়েলহৌ ইসৈ লূপ (ফোল্ক ম্যুজিক সেল) অমসুং (৭) য়েলহৌ কাংলোন লূপ (ইন্দিজেনস আর্ট ফোর্মস সেল।

কাংজীয়া মঙাং য়াইতোংবা
পারী পুরী পুকৈ, তেলৌ-পাউখুল লমজাও
ইম্ফাল ইস্ত দিস্ত্রিক্ট, মণিপুর।

HL-P/5974/17

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 27/AS&SO/TBL, dt: 9-01-2020

Laishram Tama Devi W/o (L) L. Bashanta Singh of Khangabok Awang Leikai.

-Vs-

(Late) Laishram Bashanta Singh S/o Amuba Singh of Khangabok Awang Leikai.

/ NOTICE
15/01/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ১৫৮০ (অরিবা), ২৭১১/৩৭৩৪ (অনৌবা), দাগ নং ৪৭১২/৫০৫৮ এরিয়া ০.০২০২ হেক্তর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি লাইশ্রম তমা দেবীদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/5976/17

TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY
In aid of Annual Fund Drive
Org. By Sanakonung Meira Paibi Lup
Palace Compound Regd. No 580/SR/(IE)/2016
Ticket Rate Rs. 3000/-
Date : 17 January 2020
DrawTime : 5p.m.
HOUSEFULL
10 Lacs
MINI BUMPER Ticket Rate Rs. 200/- HOUSEFULL Rs.50,000/-
MINI BUMPER Ticket Rate Rs. 500/- HOUSEFULL Jupiter TVS
1st 2nd 3rd 4th 5th
All Line Q5&Star are Rs.10,000/-
VENUE : Palace Compound Sanakonung Community Hall
HL-P/5968/17

/ খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবা, অমাংথোঙ মপান্দা পোমথোক্লগা শারৈগুম্না লৈবা, পোমথোক্লকপা অদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, অমাংথোঙ মপান্দা পোন্নগা লৈবা অদুদগী নাই তারকপা, অমাংথোঙ অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগসু হাকৎচরকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা তুমদবা, চাবা থকপসু য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবা, খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা য়াম্না ৱাবা, খোঙ হান্বা মতমদা গেসলিনগুম্বা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, অদু হেক য়াওরকপগা হকচাংদা চোকথবা, করিমতা তৌনীংদবা, অমাংথোঙ মপান্দু পোমথোল্লগা শারৈগুম্না লৈবা, পোমথোরকপা অদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, অমাংথোঙ মপান্দা পোমথোল্লগা লৈবা অদুদগী নাই তারকপা, ফম্বা মতমদসু য়াম্না নাবা হেনগৎলকপা, ফম্বা ঙমদবা, নিঙ্গাংনা ফম্লগনা খিতং ফবা, ডোক্তরদা চৎলগা য়েংহনবা মতমদা পাইলসকী ইঞ্জেক্সন অহুম কাপ্লবা মতুংদা নুমিৎ মঙানি লৈরবা মতুংদা অমুক চিকপা-নাবা হৌরকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচরকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা তুমদবা, চাবা থকপসু য়াদবা, পুকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, কল্লাক মরী নাবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5805/17
থাগৎচরিবা : K. Ramesh Meitei, Koirengei

/ পাইলসকী ওজা ABDUL HAK পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

অৱাবা খাংদুনা লাকখি শাংলবা চহী কয়া। হংখি-থিখি চৎ-চৎতুনা মফম কয়াদা। য়েংলুই মণিপুরগী ওজা মাইবা কয়াদা। হিদাকশিং চাজখি অদুবু অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈথংদা ৱাঙ্গোইগী ওজা অবদুল হক Contact No. 8794429681, 8014623756 কী মনাক্তা চৎতুনা ঐঙোন্দা লৈরম্বা নুংঙাইতবশিং - শৌজগী মপান্দা পেরে থোকপা, শোকপদা নাবা, চিকপা-শাবা, চেকখায়রগা থুপ্পা, খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, মপুং ফাবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ য়াওবা, চানীংবা পোক্তবা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, গ্যাষ্ট্রিক, খ্বাং নাবনি। হৌজিক্তি পাইলস মপূং ফানা ফজরে। চাবা-থকপা য়ারে, অনাবা লৈতবগুম ওইরে। ওজা অবদুলবু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4pm)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)
থাগৎচরিবা : Th. Bikramjit, Kodompokpi Mamang Leikai

HL-P/5907/17

Nazareth Residential School (NRS)
(Affiliated to Central Board of Secondary Education, Delhi No. 1230008)
MAO-GATE

URGENTLY REQUIRED TEACHERS

The following posts are urgently required for immediate recruitment.

| SUBJECT | NUMBER | QUALIFICATION |
|---|---|---|
| 1. Mathematics | 1 | B.Sc or M.Sc* |
| 2. Physics | 1 | B.Sc or M.Sc* |
| 3. Chemistry | 1 | B.Sc or M.Sc* |
| 4. Biology | 1 | B.Sc or M.Sc* |

*Preferably with B. Ed.
Interested Candidate without B.Ed can also apply.
For more details and information, kindly call the following numbers – 9436085640/7085935614/7005571332

HL-P/5972/17,18

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 16th January, 2020

No.2/15/96-HSC(Vol-I): It is, hereby, notified for general information to all the concerned that the phase-wise Group Discussion Session for the appointed examiners of the ensuing Higher Secondary Examination, 2020 in connection with techniques of evaluation of answer scripts is started from the 16th to 18th January, 2020 at the Council office, Babupara, Imphal West.

All the concerned Head, Assistant Head, Supervising Examiners and appointed Examiners are requested to attend the Group Discussion on scheduled date in time.

Sd/- CH. BIREN SINGH
Secretary,
Council of Hr. Sec. Education,
Manipur

HL-P/5969/17

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 16th January, 2020

No. 2/39/96- HSC: It is, hereby, informed to all concerned that the admission cards of the eligible candidates for the ensuing Higher Secondary and Class XI Examinations, 2020 will be issued w.e.f. the 20th January, 2020.

Therefore, all the Principals of the Institutions and Private Candidates are requested to collect the same by themselves or by sending an authorized person of the institution concerned from the office of the undersigned on all working days during the office hour.

*N.B.:- For those candidates who have certain irregularities in submission of the duly filled in examination forms, their admission cards will not be issued until the Principals of the concerned institutions finalised/cleared irregularities before commencement of the examinations.*

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur.

HL-P/5970/17